**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মনিপুরগুম্বা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম অসিদা মহৈরোইশিংনা অখাঙ কনবা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পুরকবা লম্বী ওইগদবনি।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য সরকারনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বা অমদি খুৎশা-হৈবগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা চাউখৎ মায়কৈদা চংশিন্নবা হোৎনরি হায়রি।

৩) মোরেদা তংদু লৈতাবা, শান্তি পুরকবা হোৎনবদা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখ্রে।

৪) থিয়েতরগী শকাইরবা লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামদা ভারত রতা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎনবা মণিপুরগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা রাজ্য সভাদা তকশিনখ্রে।

অমসুং

৫) রাজ্য সভাদা ঙসি ফাইনান্স বিল ২০২৬ অমসুং এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর-টু বিল ২০২৬ খন্নরি।

**------**

গর্ভনর (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- মনিপুরগুম্বা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম অসিদা মহৈরোইশিংনা অখাঙ কনবা

অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পুরকবা লম্ন ওইগদবনি। মহৈরোইশিংনা মাংলোমদা চংশিন্নবা হোৎনবদা লাক্কদবা শিংনবশিং থৌনা লৈনা থেংনগদবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী চীফ রেক্তরসু ওইরিবা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম, মরুওইনা মণিপুর অসি ভারতকী চাওখৎ খোঙথাংদা অচৌবা দাইত্ব লৈ। লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিং তংদু লৈতাবা, শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকপদা দাইত্ব লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মহৈরোইশিংনা ফংলিবা লৌশিং গ্যান অসি মশা খক্কী মায় পাকবা লম্বীদা শিজিন্নবগী মহুৎতা সমাজদা চাওখৎপা পুরকপদা শিজিন্নহন্নিংই। ইং ২০৪৭ তা মপুং ফানা চাওখৎলবা, ভিক্সিত ভারত অমা ওইনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংগী অচৌবা দাইত্ব লৈ।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- রাজ্য সরকারনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বা অমদি খুৎশা-হৈবগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা চাউখৎ মায়কৈদা চংশিন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি অনি অসিদা মণিপুর য়ুনিভরসিতিদগী পুন্না মহৈরোই ৫৭২, সরকার অমসুং লন্নাইগী সেক্তরশিংদা থবক ফংখ্রে। মহৈরোইশিংনা মখোয়না ফংলিবা দিগ্রী অদুখক নত্তনা তোঙান তোঙানবা ৱাখল লৌশিং তানশিন্দুনা ইশাগী ইথৌ মশক খঙনা দাইত্ব্য লৈবা মীওই অমা ওইনবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা সরকারগী থবক ফংনবা হোৎনবগী মহুৎতা মীওই কয়াবু থবক পীবা ঙম্বা মীওই অমমম ওইহন্নিংবগী অপান্বসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভর্সিতিগী সেক্রেতরি জেনেরেল ডাঃ পঙ্কাজ মিতল, য়ুনিভর্সিতি অসিগী চান্সেল্লর টি. তিরুপতি রাও, ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

সিএম (এল)ঃ তামিল সঙ্গম মোরেগী জেনেরেল সেক্রেতরি কে.বি.এস. মনিয়মনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খোমচান্দগা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নদুনা তামিল য়াওনা ফুরুপ কয়ানা মোরেদা হৌজিক

থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিগী মাইকৈদগী মোরেদা তংদু লৈতোবা, শান্তি পুরকবা হোৎনবদা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়না ফোংদোকখি। মফম অদুদা চাওখৎপা, শান্তি হজ্ঞিনহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎলি হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা ফুরুপশিংনা অমগা অমগা তেংবাংনদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী তঙাইফদবা ৱাফমসু মুখ্য মন্ত্রিনা থমখি।

এম.এল.এ- খাসিম ভাসুম অমসুং তাঙ্খুল এভিন্যু ইম্ফালগী চেয়ারমেন্না ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা তাঙ্খুল এভিন্যুগী মোহুৎ কাংবু অদুনা ফুরুপ অসিনা থেংনরিবা অৱাৎ অপা অমদি খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা পাউদমখি। মুখ্য মন্ত্রিগী মাইকৈদগী মহাক্কী সরকারনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী হক অমদি ইকায় খুমবা ঙাকবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না ফোংদোকখি। চাওখৎপা অমদি নুংশি চান্নবা মণিপুর অমা পুরকবা হোৎনবদা হিংশাগী মফম লৈতে হায়বা ৱাফমসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

কেন্দ্রিয়া বিদ্যালায়া সঙ্ঘথন তিন্সুকিয়া রিজনগী দিপ্যুতি কম্মিসনার তাওরেম প্রিতমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমনাম খেমাচন্দগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মণিপুরদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালায়াশিং মশিং হেনগৎহনবা অমসুং নিংথিনা থবক তৌহন্নবগী ৱাফম কয়া খন্নখি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং মরুওইনা সেনাপতি, ককচিং, থৌবাল, জিরিবাম, তেংনৌপল, কামজোং অমসুং বিষ্ণুপুর য়াওনা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালায়া ৯ হাংদোকবগী ৱাফমসু খন্নখি।

কন্দোলেন্স (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হৈঙাং বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ ওইরম্বা এল. নিংথেমজাউনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- লৈখিদ্রবা নিংথেমজাউ মীয়ামগী শিংথানিঙাই ওইবা য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলম্বা লুচিংবা অমনি। মহাকা কলেজ লিংখৎতুনা লমদম অসিদা মহৈ মশিংগী লমদা চাউখৎনবা থবক কয়া তৌরমখি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্নসু হান্নগী এম.এল.এ- নিংথেমজাউনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা শ্রী বিরেন্না হায়- লৈখিদ্রবা নিংথেমজাউ মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা কৎথোকখিবা লুচিংবা অমনি।

সনাজাউবা (এল)ঃ থিয়েতরগী শকাইরবা লৈখিদ্রবা রতন থিয়ামদা ভারত রতা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎনবা মণিপুরগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি রাজ্য সভাদা তকশিনখ্রে।

সভাগী ঙসি জিরো অৱারদা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- লৈখিদ্রবা রতন থিয়াম ভারতকী থিয়েতরবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরক্তুনা মালেমদা শক তাকখিবা মীওই অমনি।

এৱারনেস (এল)ঃ চীফ মিনিষ্টরকী হকশেলগী তেংবাং অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মতাংদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী নুমিৎ হুমি চুপা চথুরকপা এৱারনেস কেম্প ঙসি থৌবাল জিলাগী খাঙবোকতা লৈবা রাইস রিছার্স ষ্টেসনদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লোইশিনখ্রে। কেম্পেন অসি রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটকী মখাদা লৈবা ষ্টেট হেলথ এজেন্সি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিত, সি.এম.ঐচ.টি, পি.এম.জে.এ.ৱাই থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন য়ুনিত কাংপোকপীনা ষ্টেট হেলথ এজেন্সি অমসুং ষ্টেট নোদেল সেল মণিপুরগা খুৎশমনা শিন্দুনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং, আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা অমসুং হ্যুমেন পাপিলোমা ভাইরসকী ভেক্সিন হায়বা হিরমদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ফৈজাংদা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং (এল)ঃ সঙ্গিৎ একাদমি ককচিং সুমাক লৈকাইনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা স্কুল কলচরেল এৱারনেস প্রোগ্রাম কম দেমোন্সত্রেসন অমা ঙসি ককচিং

সুমাকতা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংবু কলা সংস্কৃতিগী লমদা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

এমসু (এল)ঃ লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কল্লশি হায়বা হিরমদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না চত্থরক্লিবা ৪৬ শুবা মীকপ থোকপা থাবুম থৌরমগী শরুম অমা ওইনা একাদমিক কেম্পেন অমা ঙসি য়ুমাম হুইদ্রোম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং উচিৱা হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থিয়েতর (এল)ঃ মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকবগুম বনিয়ান রিপরতরি থিয়েটর (বি.আর.টি)না শিন্দুনা ঙসি ৱাংখৈ নিংথমপুখ্রি মপালদা লৈবা থিয়েটর অসিগী কমপ্লেক্সতা মালেমগী থিয়েতর নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা খুনাই অমা শেম্বদা থিয়েতরনা লৌরিবা থৌদাং কয়াগী মতাংদা ফোংদোকখি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা লৈবা গ্রামপঞ্চায়ট খুদিংমক্কী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মীহুৎশিং খন্নবা দরখাষ্ট থাজিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ৬ তা ওইরগনি হায়না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

রাজ্য সভা ঃ রাজ্য সভাদা ঙসি ফাইনান্স বিল ২০২৬ অমসুং এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর-টু বিল ২০২৬ খন্ননবা পুখৎখ্রে। ফাইনান্স বিল অসিনা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্র সরকারগী শেল থুমগী প্রস্তাবশিং থবক পায়খৎপদা অয়াবা পীগনি।

কেন্দ্রগী শেল থুম রাজ্য মন্ত্রি পঙ্কজ চৌধুরিনা বিল অদু সভাদা পুথোকখি। এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর-টু বিল ২০২৬ না শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কীদমক লৈবাক অসিগী কন্সোলিদেতেদ ফন্দগী শেল থুম কাইথোকপদা অয়াবা পীগনি। সভানা বিল অসিগী মতাংদা খন্নবদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- বিল অসি অওনবা পুরকবা ৱাখল্লোনদা শেমখিবনি। মহাকা হায়- শেনবা চহি

অসি হেক হৌবদগী লৈবাক অসিগী কাংলুপ খুদিংমক্তা কান্নবা ফংহন্নবা সরকারনা হোৎনরি।

খন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা কংগ্রেসকী এম.পি- শক্তি সিনহা গোহিলনা হায়- টেক্সকী মওং মতৌদা থোইনা অহোংবা লৈতে। হন্দক্কী বজেৎ অসিনা মিদল ক্লাসকী মীওইশিংদা কান্নবা অমত্তা পীবা ঙমলোই।

বি.জে.পিগী এম.পি- শঞ্জয় শেথনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা সরকার অসিনা জি.দি.পি টু দেবট রেসিওগী ফিভম লাকশিনবা ঙমলে। মহাকা হায়- জি.দি.পি টু দেবট রেসিওগী চাং কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংগী পুন্না হৌজিক চাদা ৮৩ লৈরি। মসি ২০৩০ ফাওবদদি চাদা ৫০ হন্থহনবা ঙম্লগনি।

পেট্রোল্লিয়ম ঃ দিজল অমসুং এভিএসন তরবাইন ফ্যুএল (এ.টি.এফ) মপান লৈবাক্তা থাদোকপদা লৌরম্বা এক্সপোর্ট দ্যুতি সরকারনা হেনগৎখ্রে। নোংচুপ এসিয়াদা ইরাং থোক্লিবা অসিগী য়েংলগা মালেমগী ওইনা থাউগী মমল হেনগৎলক্লিবা মরক অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌরম্বা দোমেষ্টিক টেক্স হন্থহনখ্রে।

নোংচুপ এসিয়াদা নৌনা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ইন্তর মিনিষ্টরিয়েল মীফমদা ৱা ঙাংবদা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ইনদাইরেক্ত টেক্সেস অমসুং কষ্টমসকী চেয়ারমেন বিবেক চতুরবেদিনা হায়- খোঙথাং অসি লৈবাক অসিদা দিজল অমসুং এ.টি.এফ মরাং কায়না ফংহন্নবা অমসুং ইনজির্গী অৱাৎপা লৈহন্দনবা পায়খৎলকপনি।

পেট্রোল্লিয়ব অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- লৈবাক অসিগী রিফাইনরিশিং হান্নগুম মথৌ তৌরি অমসুং দোমেষ্টিক এল.পি.জি পুথোকপগী চাং হান্নদগী হেনগৎলে। মহাকা হায়- মার্চ ১৪ দগী হৌজিক ফাওবদা কম্মর্সিয়েল কঞ্জুমরশিংদা এল.পি.জি টন লাখ ৩০ রোম পীখ্রে।

এলপিজি ঃ কেন্দ্র সরকারনা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জিগী এলোকেসন চাদা ৭০ দা হেনগৎপদা অয়াবা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা ষ্টিল, ওতো মোবাইল, টেক্সতাইলস অমসুং অতৈ শিন্মীশিংগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পুথোক্লিবা উদ্যোগশিংগীসু চাদা ৩০ হাপচিনবদা য়ান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা পেট্রোল্লিয়ম মন্ত্রি হরসিপ সিংহ পুরিনা হায়- সরকারনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি মরুওইনা মীয়ামদা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জি নিংথিনা ফংহন্নবনি।

হার ঃহৌখিবা চহী ১০ অসিদা ভারতনা য়ুরিয়া হার পুথোকপগী চাং মেট্রিক টন লাক্ষ ২৩০ দগী ৩১৫ দা হেনগৎপা ঙম্লে হায়না সরকারনা লাওথোকখ্রে। লোক সভাদা পুখৎলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা কেন্দ্রগী ফরতিলাইজর মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হার পুথোকবা মফমশিং শেমগৎলি। জোরদান, মোরোকো, সাউদি অরাবিয়া অমদি ওমান য়াওনা য়ান্ন-চেরোল সহি তৌনদুনা হার পুথোকপগী চাং হেনগৎনবা হোৎনরি।

পাতেল ঃ  কেন্দ্রগী হকশেল অমদি য়াইফ য়ুন্বাল রাজ্য মন্ত্রি- অনুপ্রিয়া পতেলনা হায়রি- মালেমগী ওইনা ভারতনা চাদ ৩০ জেনরিককী হিদাক-লাংথকশিং সপ্লাই তৌরি। মসিমক লৈবাক অসিনা মীয়ামদা অতাবা মমলদা হিদাক লাংথকশিং ফংহনবদা খুমাং চাওশিল্লি হায়বগী  ময়েক লারবা খুদম ওইরি। ৱাফম অসি ঙসি লোক সভাগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক া হায়-সরকারগী খোঙথাং অসিনা মীচম মীয়ামা হিদাক লাংথক লৈবদা শেল য়ামা চঙহনবদা ঙম্লগনি।

নেপাল ঃ  নেপালগী রাষ্ট্রিয়া স্বাতন্ত্র পার্তি (আর.এস.পি)গী পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী লুচিংবা বালেন্দ্র সাহ নেপালগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। মহাকা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চহি নৌবা প্রধান মন্ত্রি

ওইরি। শ্রী বালেন্দ্রনা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবা মতমদা মশাগী চহি ৩৫ খক্ত ঙাইরি। নেপালদা নহাশিংনা করপসন অমদি নেপোতিজমগী মায়োক্তা হৌখিবা ইরাং অদুগী মতুংদা শ্রী সাহ মীয়ামগী অহানবা মীহুৎ ওইনা মীখলদা মায় পাক্লুনা ঙসি ৱাশক লৌখিবনি।

নোংঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অৱাং নোংপোক লমদমশিং য়াওনা সব-হিমালয়নগী মফম খরদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই। হায়রিবা মফমশিং অসিগী মনুংদা অসাম, নোংচুপ বেঙ্গোল, মেঘালায়া অমদি সিক্কিম য়াওরি।

এজেন্সি অসিনা হায়-বিহার, ঝরখন্দ, উরিষ্যা, তেলঙ্গানা অমসুং উত্তরাখন্দদা হয়েং ফাওবা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহলাদা অমসুং ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিত ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি লুৱাংপোকপী ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা- রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা অহুমলক শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর ফিফতিন গার্লস ৱান ডে ত্রোফিদা হয়েং অক্সদো খাঙবোক অমসুং পি.সি.সি ময়াইকোইবী শান্নগনি।

ফুটবোল ঃ মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ২৪ শুবা চেল্লেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা- এফ.এল.এ.কে. ক্যামগৈ অমসুং টি.আর.ভি.এস.এ মালোম পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অনিসুবা মেটচতা এ.এফ.এফ.সি ইম্ফালনা থাংমৈবন্দ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ আই লিগ-টু গী হয়েং নিনি চনবা নুমিৎতা নেরোকা এফ.সিগা দিল্লি ফুটবোল ক্লবকা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। মেটচ অসি নুংথিল পুং ৩ দা হৌগনি।

ফুটবোল ঃ সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিসুবা সমরাম ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- দ্রোন এফ.সিনা এফ.এল. মণিপুরবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

থাং-তা ঃ নৈনশঙ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া-এস.টি.সি-ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা থাং-তা চাংদমবা ২০২৬ হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শগোলবন্দ তেরা লৌত্রাকপম লৈকাইদা হৌদোক্লগনি। চাংদমবা অসি থাং-তা লোইশঙ সনাকোনুংগী টেকিকেল এসিষ্টেন্সকা লোয়ননা পাঙথোক্কদবনি।

আরচরি ঃ বেঙ্কোকতা চথরিবা এসিয়া কপ ৱার্ল্ড রেঙ্কিং তুরনামেন্ট ষ্টেজ ৱানদা ভারতকী আরচরি টিমনা সনাগী তকমান অনি, লুপাগী মরি অমসুং শেঞ্জেংগী মরি পুন্না তকমান ১০ লৌরে।

------